# বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি পাঙথোকপদা তোয়না থেংনবা খুদোংচাদবা খরা অমদি ঙাকথোক্লবা পাম্বে

ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ

বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না পাম্নবা থৌওং অমা ওইরক্লি। তৌইগুম্বসুং থৌওং অসি পাঙথোকপীগে হায়রবদি শুংশোয় শোয়দনা খঙজিন্দবা য়াদ্রবা থৌওং খরা লৈরি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি খঙদবা অমদি পাঙথোকপীদবা তারবদি বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি অসি শুপ্নগী নোংমা খক্তদা মায়থীবা ওইবা য়াই। অথুবা মতমদা ঙা পূম্নমক শিখিদুনা অচংবা শেল পূম্নমক মাঙবা য়াবগী খুদোংচাদবসু লৈরি। টেক্নোলোজি অসি পাঙথোকপদা থেংনগদৌরিবা অমদি শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থৌওং খরা থমজগে।

**১) অঈং-অশাগী চাং :** বাইওফ্লোক ফার্মিং পাঙথোকপা মতমদা লৈহনগদৌবা অঈং-অশাগী চাং অসি ঐখোয়না শীজিন্নগদৌরিবা প্রোবাইওটিক বেক্টেরিয়াগী মখা পোল্লি। চাওরাক্লা সেলসিয়স দিগ্রী ২৪দগী ৩০ ফাওবা অসি প্রোবাইওটিক বেক্টেরিয়ানা হৈনবা অঈং-অশাগী চাংনি। করিগুম্বা ঈশিংগী অঈং-অশাগী চাংসি সেলসিয়স দিগ্রী ২০গী মখাদা লৈখ্রবদি ফ্লোক অদু মায়থীদুনা অতোপ্পা বেক্টেরিয়া ময়াম লৈরক্কনি অমদি ঙাদা খুদোংচাদবা ময়াম থোকহল্লক্কনি। মরম অদুনা বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি অসি হৌবা মতমদা কালেনগী মতমদা হৌবীগদবনি নৎত্রগা থর্মোষ্টেট শীজিন্নদুনা ঈশিংগী অঈং-অশা অদু হোংহন্দনা থম্বীগদবনি।

**২) ঈশিংগী মচু :** ঈশিংগী মচু অসিনা করম্বা মখলগী মাইক্রোবশিং খরা হেন্না য়াওই হায়বদু খঙবা ঙম্মী। করিগুম্বা ঈশিংগী মচু অসি শংনা উরবদি ঈশং য়াম্না য়াওরে হায়বা খঙবা ঙম্মী। মসি ফ্লোক শেম্বা হৌরকপা মতমদা থোকই। করিগুম্বা ঈশিং অদু ব্রাউন মচু ওইরবদি ফ্লোক ফজনা ওইরে হায়বা খঙবা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং ঈশিংগী মচু অদু য়াম্না মমশিল্লক্লবা অমদি অমোৎপা ময়াম য়াওবগুম উরক্লবদি ঈশিং খরা শিন্দোকপীগদবনি অমদি ঈশিংগী মখাদা ফমথদুনা লৈবা লৈরোল অদু লৌথোকপীগদবনি।

**৩) ঙানা মচিঞ্জাক চারক্তবা :** ঙানা মচিঞ্জাক চারক্তবা হায়বসি মরম কয়ামরুম লৈ। পনবা য়াবা মরম খরা হায়রগদি ঈশিং ফৎচিল্লক্তবা নৎত্রগা মচিঞ্জাক্কী চাওবগী চাংগা ঙাগী চাওবগী চাংগা চান্নদবা। খুদম ওইনা হায়রবদা অপিকপা ঙাগীদি অকূপ্পা মচিঞ্জাক পীজগদবনি।

**৪) ঙানা মথক্তা চাখৎলকপা :** ঈশিংদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং অসি নেম্লকপা মতমদা ঙানা মথক্তা চারক্কনি। বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি অসিদগী ওক্সিজেন অসি ঙা খক্তা নত্তনা প্রোবাইওটিক বেক্টেরিয়াশিং অসিনসু শীজিন্নবা মরম্না এরেটরগী চাং ফজনা য়েংবীগদবনি।

**৫) ওক্সিজেনগী চাং নেমথরকপা :** ওক্সিজেনগী চাং অসি নেমথরক্লবদি এরেটর খরা কন্না থাবীবা নৎত্রগা কৈথেলদা ফংবা ওক্সিজেন হেনগৎহন্নবা হীদাক/পাওদর হাপ্পীবা। মসিদসু ফগৎলক্ত্রবদি ঈশিং খরা শিন্দোকপীবা অমদি ঙা খরা ফাদোকপীদুনা ঙাগী মশীং হন্থহনবীগদবনি।

**৬) অলকালিটি নেমথরকপা :** প্রোবাইওটিক বেক্টেরিয়াশিং অদুনা মথৌ ফজনা তৌরক্তবা মতমদা অলকালিটি অসি নেমথরকই। হায়রিবা থৌওং অসি ফহন্নবগীদমক্তদি সোদিয়ম বাইকার্বোনেট নৎত্রগা কেলসিয়ম কার্বোনেট চানবা চাং য়েংদুনা হাপ্পীগদবনি।

**৭) ঈশিংগী অশিনবগী চাং ৱাংলকপা :** ঈশিং অদু শিনজিল্লক্লবদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসিগুম্না সোদিয়ম বাইকার্বোনেট নৎত্রগা কেলসিয়ম কার্বোনেট শীজিন্নবীগদবনি।

**৮) ঈশিং মনম নমথীরকপা :** করিগুম্বা ঈশিংগী মনম নমথীরক্লবদি ঈশিংগী মখা থংবা শরুক্তা লৈরোল অমা ফমজিন্দুনা লৈরম্লগনি। হায়রিবা লৈরোল অসি লৌথোকপীগদবনি অমদি অনৌবা ঈশিং খরা অমুক হাপ্পীগদবনি।

**৯) এমোনিয়া/নাইট্রেট/নাইট্রাইট ৱাংখৎলকপা :** এমোনিয়া অসি চাং খিত্তং হেনগৎলকপদা ঙাদা য়াম্না খুদোংচাদবা থোকহল্লি, ঙা পূম্নমক শিখিবসু য়াই। মরম অদুনা এমোনিয়া ৱাংবগী থৌওং অসি থেংনরবদি ঈশিংগী মখা থংবা শরুক্তা ফমজিন্দুনা লৈবা লৈরোল অদু শেংদোকপীবা, ঈশিং খরা শিন্দোকপীবা অমদি এরেসন কনখৎহন্দুনা ওক্সিজেনগী চাং হেনগৎহনগদবনি।

করিগুম্বা এমোনিয়া ৱাংখৎলক্লবদি কার্বোহাইড্রেটকী চাং হেনগৎহনবগা লোয়ননা প্রোটিনগী চাং হন্থহনগদবনি।

করিগুম্বা নাইট্রাইটকী চাং ৱাংখৎলক্লবদি এরেটর কন্না থাবীবা, ঈশিংগী মখা থংবা শরুক্তা ফমজিন্দুনা লৈবা লৈরোল অদু লৌথোকপীবা অমদি কার্বোনগী চাং হেনগৎহনবা, খুদম ওইনা হায়রবদা চিনি অঙাংবগুম্বা হাপ্পীগদবনি।

**১০) ঙা শিরকপা :** করিগুম্বা ঙা শিরক্লবদি অহানবদা ঈশিং চাংয়েং তৌদুনা ঈশিং করম তৌরিবগে হায়বদু খঙদোকপীগদবনি। ঙা য়োক্লবা মতুং চয়োল অমগুম্বা লৈরগা শিরকপা ওইরবদি ঈশিংগী চাংয়েং তৌদুনা ঈশিংগী মগুনশিং অদু অশোয়-অঙাম য়াওরব্লবসু শেমদোকপীগদবনি। করিগুম্বা ঙাশিং অদু অহানবা থাদবা নুমিত্তা শিরকপা ওইরবদি ষ্ট্রেসনা মরম ওইদুনা শিবা ওইগনি। অদুগা করিগুম্বা অশোয়বা থোইদোক্লা লৈতনা ঙা পংশিদা শিরক্লবদি করি লায়না ওইবগে হায়বদু মুন্না য়েংবীগদবনি অমদি মদুগা চান্নবা লায়েং পাঙথোকপীগদবনি।

**১১) ঙাদা লায়না পক্লকপা :-** ঙাদা লায়না পক্লক্লবদি করি লায়নানো হায়বদু ফজনা খঙদোকপীগদবনি অদুগা চানবা লায়েং কাঙলোন পাঙথোকপীগদবনি। মতাং অসিদা খন্থবীগদবা ৱাফম অমদি বাইওফ্লোক টেক্নোলোজিদদি ঐখোয়দা কান্নবা হিংকুপশিং হায়বদি প্রোবাইওটিকশিং শীজিন্নবা মরম্না এন্টিবাইওটিক অমসুং হীদাক লাংথকশিং শীজিন্নরবদি প্রোবাইওটিকশিং অসি শিখিদুনা ফ্লোক কায়থখিনি। মরম অদুনা প্রোবাইওটিক বেক্টেরিয়াশিং অসিদা অকায়বা থোকহল্লোইদৌবা থৌওংশিং পাঙথোকপীগদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা অনাবা ঙাশিং খন্দোক্লগা তোঙান্না লয়েংবা নৎত্রগা ওর্গানিক ওইবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবীগদবনি।

**১২) ঙা চাওবা হেল্লক্তবা :** ঙা চাওরক্তবগী মরম কয়ামরুম লৈ। মখোয় অদুদি অফবা মখলগী ঙা মচা ওইদবা, থাদরিবা ঙা অদু বাইওফ্লোক টেক্নোলোজিদা চানবা মখলগী ঙা ওইদবা, মচিঞ্জাক অদু অফবা মখলগী মচিঞ্জাক ওইদবা অমদি বাইওফ্লোক টেক্নোলোজিগী কাঙলোনশিং চুম্না অমদি মপূং ফানা পাঙথোক্তবা অসিনচিংবনি। মরম অদুনা হায়রিবশিং অসি মুন্না খন্থবীগদবনি।

**১৩) ঈশিং নৈরকপা অমদি ঈশিংদা য়াওবা পোৎশকশিং য়ামখৎলকপা :** হায়রিবা থৌওং অসি থেংনবীরবদি খুদক্তা ঈশিং খরা শিন্দোকপীগদবনি অমদি ঈশিংগী মখা থংবা শরুক্তা ফমথদুনা লৈবা লৈরোল অদু লৌথোকপীগদবনি।

**১৪) ফ্লোক কা হেন্না লৈরকপা :** হায়রিবা থৌওং অসি থেংনবীরবদি ঈশিং খরা শিন্দোকপীগদবনি।

**১৫) ফ্লোক য়াম্না ওইরক্তবা :** হায়রিবা থৌওং অসি থেংনবীরবদি কার্বোনগী শরুক হেনগৎহনগদৌবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মোলাসেস নৎত্রগা চিনি অঙাংবা হাপ্পীগদবনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌওংশিং অসি মুন্না খন্থবীরগা বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি পাঙথোকপীরবদি অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইদুনা লমদম অসিগী ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি। ●

# দামগী ঈশিং মতম চানা লৌমীশিংদা ফংহনবীয়ু
# লৌ পানবদা অপনবা পীরিবা অসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নীংই : ফার্মর

- বিজয় লাইশ্রম-

চৎলিবা চহী ২০২৩ অসিগী ওগষ্ট থা ফাওবদা মণিপুরদা নোং মরাং কায়না তাদবা মরম্না খরিফ ক্রোপকী মতমদা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা লৌ পান্নবা কন্না হোৎনরবসু ঈশিং লৈতবদগী লৌবুক কয়া হৌজিক লৌশিৎতুনা লৈরিবনি। অমরোমদা মণিপুর এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না হৌজিক ঈশিং লৈতবদগী লৌ পানবা য়াদবা লৌফম পূন্না লম হেক্টর ১১,৬৯৪ রোমনি। মসিগী মনুংদা ঈশিং লৈতদুনা লৌ পানবা য়াদনা লৈরিবা মণিপুরগী চীং অমদি তমগী দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ৪৮০০নি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ৮৩০নি। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ২৩০, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ২৬০০, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ২১৯৫, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ৫০, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ২৮৫, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ৭০, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ৬০২ অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম হেক্টর ৩২নি। পূন্না চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা ঈশিং লৈতবদগী লৌ পানবা য়াহৌদ্রবা লৌফম হেক্টর ১১,৬৯৪নি। মসিদা নত্তনা হন্দক মণিপুরদা চৎলিবা চহী অসিগী মে ৩দগী চিন কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা তম্পাক্কী চীংখোঙ চীংয়াদা লৈবা মৈতৈ খুলশিংগী য়ূম মৈ থাবা অমদি নোংমৈ কাপশিন্দুনা মরাল লৈজদ্রবা মীচমদা এটেক চথরকপদগী হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম কয়া ফত্তবনা লৌ পানবা ঙমদনা লৈরিবা লৌফম অসি হেক্টর ৫১২৭.০৮ রোমনি।

মণিপুর এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর (দি এ ও) শিংনা পীখৎলকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না লৌ পানবা য়াবা অমদি য়াদ্রিবা লৌফমশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা খুল ২৪গী মনুংদা লৈবা লম হেক্টর ৫৩৯ লৌ পানবা য়াখ্রে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লো এন্দ ওর্দর ফত্তবনা হৌজিক ফাওবা লৌ পানবা য়াদনা লৈরিবা লৌফম্না হেক্টর ৫৩৯নি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুল ১৭কী মনুংদা লৈবা লম হেক্টর ২৫৫০.৮৮ রোমদি লৌ পানখ্রে। অদুগা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফত্তবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌ পানবা য়াদনা লৈরিবা লৌফম্না লম হেক্টর ৬৩৩নি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুল ২৪গী মনুংদা লৌফম হেক্টর ৭২৫৫ লৌ পানখ্রে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা লম হেক্টর ২১৯১ রোম্না লৌ থানবা চঙবা য়াদনা লৈরি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতনা খুল অহুমগী এরিয়াদা লৈবা লৌফম হেক্টর ১৭১৪ রোম লৌ পানখ্রে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা লম হেক্টর ৫৮১না লৌ পানবা য়াদনা লৈরি। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুল ৮গী মনুংদা লৈবা লৌফম হেক্টর ৮৯১.৫৩ লৌ পানখ্রে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা লম হেক্টর ৩৭না লৌ থানবা চঙবা য়াদনা লৈরি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুল ১৯গী মনুংদা লৈবা লৌফম হেক্টর ২৭৩.২৫দি লৌ পানখ্রে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা লৌফম হেক্টর ২৭৩.২৫না লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফত্তবনা লৌবুক্তা চংবা য়াদনা লৈরি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুল ৫২গী মনুংদা লৈবা লৌফম হেক্টর ১১৭৮.৮৭ রোম লৌ পানখ্রে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা লৌফম হেক্টর ৫৯৭.৮৩ রোমদি লৌবুক্তা চংবা য়াদদুনা লৌ পান্দ্রি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খুল ১২গী মনুংদা লৈবা লম হেক্টর ৬৫৮.৩৮ রোম লৌ পানখ্রে। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা লম হেক্টর ২৭৫ রোমদি লৌ থানবা চঙবা য়াদনা লৈরি। লৈঙাক্লসু দামগী ঈশিং লৌমীশিংদা মতম চানা ফংহনবা ঙমদ্রি।

অমরোমদা লংথবাল এ সীগী মনুংদা লৈবা নরানকোঞ্জিন মমাঙ লৈকায়দা লৈবা থৌনাওজম খম্বা কৌবা লৌমী অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা মহাক লৌ শঙম অমদি ঈশিং লৈতদুনা লৌ পান্দনা শিৎলগা লৈরি। অদুগা লৌ শঙম অমদি ঈশিং খরা ফংবনা হায়ব্রিদ ফৌ (বি এ সী-১৩) অসি থাদুনা ফৌবোৎ ৩৫দগীনা ৪০ ফাওবা লোক্লবা টার্গেট থমদুনা কন্না হোৎনরি। মহাক্লা উরিবা লৌকোন অসি নরানকোঞ্জিন লৌকোননি। হন্দক নোং তাবদগী ঈশিং খরা ফংবনা ওগষ্টকী অহানবা চয়োলদা হুনবনি। হান্না ত্রেক্টরনা কারন লাক্তুনা লৌরোল মঙারক খোইরবা মতুংদা হায়ব্রিদ ফৌ অসি থাবনি। হান্না খরা লন্না থারম্বা ফৌ পান্দোংশিং অদু হাবেংলগা অমদি লৌ চারা অকুং অরন হান্না শিন্দুনা নাপী হাবেংলবা মতুংদা য়ুরিয়া হার কেজি ৩০, দাইমন কেজি ১০ অমদি পোটাশ কেজি ১০ চাইরবা মতুংদা হৌজিক ফৌ অসি য়েংবা য়াম্না নুংঙাইরে।

নোংসি চিফেৎ-চিফেৎ তাবনা লৌদদি য়াম্না কান্নবা ফংই। হৌজিক ফাওবদি ফৌদা পাক শন্না লায়না-তীলনা তাবদি উদ্রি। নোংমদা লৌ খুলং অমা চৎপদা নুপানা লুপা ৫০০ অদুগা নুপীনা লুপা ৪০০ পীরি। মণিপুরদা লৌ উবসি কুমগী নোংদা য়াম্না দিপেন তৌবনা নোং তাদ্রগদি লৌ উবা য়াদবনা লৌমীশিংনসু মতম অসিগী হোংলক্লিবা নোংজু-নুংশাগী ফীভমগী মতুংইন্না লৌমীশিংনসু অখঙ অহৈশিং মরু ওইনা এগ্রিকলচরগী এক্সপার্ট কয়াগী মতেং লৌরগা ঈশিং হেক ফংবগা ঐখোয়না দবল ক্রোপ তৌনবা হোৎনবা য়াম্না তঙাইফদে। লোয়ননা লৌমীশিংনসু ইশা ইশাগী লৈবাক লৈহাওগী চাংয়েং অসি মতম চানা তৌবীরগা লৈবাক্কী অশিন অয়াক্কী চাং অদু হান্না খঙদোকপীরগা লৌফমদা পাম্বীনা মথৌ তাবা চিঞ্জাক অদু মতম চানা হাপ্পীরগদি অফবা মখলগী চাথোক লৈবা ফৌ পুথোকপা ঙমগনি হায়রকখি।

অমরোমদা হৌজিক মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসি কয়া ফত্তবগা লোয়ননা ঈশিং লৈতবদগী লৌ পানবা ঙমহৌদবা হেক্টর ১১.৬৯৪ অসিদা ফৌ নত্তবা অতোপ্পা থাবা য়াবশিং থাদুনা পোথোক পুথোকপা য়াবা মরু ওইনা শগোল হৱাই, চুজাক, গেহু অমদি চনালনচিংবশিং অসি মরী লৈনবা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংদা ফংহনবীয়ু হায়রদুনা খরিফ লৌরোক্কী মতমদা থাবা য়াবা মহৈ মরোং মরু ওইনা ঈশিং ফংদবা লৌফমদা হাঙদুনা থম্বগী মহুত্তা পোথোক পুথোকপা য়াবা মরু মরাং ফংহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

*(পাউ অসি সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু) গী মীদিয়া ফেলোসিপ প্রোগ্রাম ইন সাইন্টিফিক জর্নেলিজমগী মখাদা ইজবনি। লোয়ননা অকূপ্পা মরোলসু সী এ য়ুগী পি আর এম এমগী ডা. ইলিয়া থৌনাওজম (ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ওফিসর) দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।)* ●

# বাংলাদেশকী মিনি টাজমহল য়েংলবা তুংদা

## (বাংলাদেশকী অনৌবা মিনি টাজমহল য়েংবগী মহাওনা অমনি, চহী ৪০০ হেল্লবা নোংখাং চাইরবা সোনার্গাওগী (পানাম নগর/পানাম সিটি) হিষ্টরিকেল মোন্যুমেন্ট য়েংলুবৈ মহাওনা তোঙাল্লি)

সৌবাম বিরধজ

ধাকা (২৫-০৬-২০১৮) দা অয়ূক্কী চাকলেন চাবা লোইবগা ইপা-ইচা বাংলাদেশকী কোমিলা ত্রেন/বস ষ্টেসনগা থংননা লৈবা গুলিস্থান বস ষ্টোপতগী বস তোংলে। বাংলাদেশকী মিনি টাজমহল য়েংলুনবা সোনার্গাও (সোনারগাঁও) দা লৈবা 'বাংলাদেশকী মিনি টাজমহল' য়েংলুনবা খোঙচৎনি। ধাকা চিতাগোং হায়ৱেদা কিলোমিটর ৩০ মুক লাক্লগা মাদনাপুর ষ্টেসন য়ৌরগা কুমথরে, মফমদুদগী ওইরোমদা হাইদোক্লগা থোং মচা (খোঙ খক্তনা চৎনবা) অমা লান্দুনা লাক্লগা গাঝিপুর হায়ৱেদা তারক্লগা লোকল বস/রিক্সা/ওটোরিক্সা তোংদুনা চৎকদৌবনি। বস নম্বর য়েংলগা ঙাইরম্বদগী মফমদুদগী কিলোমিটর অহুমগুম্বা চৎকদৌবনা ওটোরিক্সা অমদা তোংদুনা চৎলগা সোনার্গাওদা লৈবা মিনি টাজমহল য়ৌরে। টিকেট কক্লগা মনুংদা চঙলে। লায়রবা বাংলাদেশকী মীয়াম্না ইন্দিয়াগী আগ্রাদা লৈবা টাজমহল য়েংবগী খুদোংচাবা ফংদবা, য়েংবা চৎপদা শেল য়াম্না চঙগদবা মরম কয়াদগী কোক্লবা বাংলাদেশকী অফাওবা ফিল্ম মেকর 'অসেনুল্লা মোনিনা' টুরিজম চাওখৎনবগীদমক কুমজা ২০০৩দগী মিনি টাজমহল শাবা হৌরগা কুমজা ২০০৮দা লোইখি। অদুগা বাংলাদেশকী মীয়ামদা কুমজা ২০০৯গী জন্যুৱারী ২দা খুদোল তমখিবা 'বাংলাদেশকী মিনি টাজমহল' নি।

ইন্দিয়াগী আগ্রাগী টাজমহল য়েংলুরবা মীওইশিংদদি ফজবা য়ৌদে, মফমসু য়াম্না পীকখ্রে খনবা শোয়দনা ফাওগনি। মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্তগী লমকোইবশিংনা খোইদানা য়েংনরিবা অঙকপা তরেৎকী মনুং চল্লিবা আগ্রাগী টাজমহলগা চাংদম্নববুদি শুকয়া য়াররোই। অদুগুম্না চাংদম্নবা য়াদ্রবসু 'বাংলাদেশকী মিনি টাজমহল' অদুমক ফজে, বাংলাদেশকী মীয়াম্না খোইদানা য়েংনরিবনি। য়েংবা চঙলমদাইদা লম্বীগী য়েৎ-ওইদা দুকান, হোটেলশিং পরেং পরেং ফল্লি, মিনি টাজমহলগী শক্তম অমদি বাংলাদেশকী পোৎ চৈ কয়া য়োল্লি। হোটেল অমদা চঙলগা করি করিনো খরা চাশিনবদগী অরাম খৌরাংবদি কোক্লে। ওল্লাংথা ওইবগা, নুমিৎয়ুংবগা পুল্লবনিনা বাংলাদেশকী লৈমায়দদি অসুক্কী মতিক শাখ্রে। হকচাংসি হুমাং অনপ্পীনা পুমচোৎ চোৎলবনি, মীকুপ খুদিংগী ঈশিং য়াওম ২/৩ থক্ল-থক্লদুনা মিনি টাজমহল য়েংলুনবা চঙনরিবদুদা চঙলক্লে। পীক্তক তৌনা নিংথিজনা ইন্দিয়াগী টাজমহলগী মচাগুম্না খল্লদুনা য়েংলিবনি। ইন্দিয়াগী টাজমহলগুম মনুংদা চঙদুনা য়েংননবা শরুক য়াওদবনা 'মমতাজ অমসুং সহাজানগী খুভম অনীদু' বাংলাদেশকী মিনি টাজমহলদদি লৈতে। লৈফমসু থোক্তে। মরমদি পুৱারীগা মরী লৈনবা বাংলাদেশকী মিনি টাজমহল নত্তে। অদুননি মতৌ তম্বা হায়বসিদি অশেংবগা খক মান্নবা য়াদ্রিবসি। মতৌ তম্বা ওইদুনসু শাওং-শাদা মান্নবনা 'বাংলাদেশকী মিনি টাজমহল' হায়না খঙনরিবনি। মখোয়গী মপা-মপু, পুরেনগী-পুরেন ওইরিবা মতমদুগী মুসলমান নিংথৌ সহাজাননা শারম্বা আগ্রাগী 'টাজমহল' গী শক্তম, ৱারী ওইনা তারগসু য়েংবা ফংদ্রবা বাংলাদেশকী মীয়ামগী ঈথৌ লাংবা কোক্লনবা ৱাখল্লোন্দা বাংলাদেশকী 'মিনি টাজমহল' অসি সোনার্গাও খুঙ্গংসিদা শাখিবনি।

সোনার্গাও খুঙ্গংসিগী অতোপ্পা চিদাই অমদা অরিবা চহী ৪০০ হেল্লবা 'পানাম নগর'/'পানাম সিটি' হায়না খঙনরিবদু য়েংননবা ওটোরিক্সা অমদা অমুক চৎলে, 'পানাম নগর/পানাম সিটি' হায়না থারিবদু য়ৌরদুনা কুমথরে, য়েংননবা টিকেৎ কক্তুনা চঙলে। টিকেৎ ককফমদু য়াম্না মল্লবা 'পানাম সিটি' গী য়ূমগী শরুক অমদনি, লোকল মীওইশিংগী টিকেট মমল টাকা ১৫ ওই, ঐখোয়গুম্বা ফোরেনগীদি টাকা ১০০ পী অদুবু ফোরেনর মহৈরোয়শিংগী ওইনদি টাকা ৩০নি। ইচানুপীগী আই কার্দ উৎলগা টাকা ৩০দা টিকেট লৌরে। মফমদুদা চংননবা লম্বী অনীগী মনুংদা অমদি চংদুনা য়েংহন্দ্রে, লম্বী থিংদুনা খূৎলায় পায়বা সিফাইগী ফিজোল শেৎপা অমনা ফমদুনা শংলি। অদুগা পানাম নগর চংফমগী হেক মপান্দা 'ময়ায়দা হাংদোক্লবা লাইরিক অচৌবা' অমা বিলাটিমাটিনা ফজনা হৈরগা শেম্বা, লমকোইবশিংনা য়েংবদা য়াম্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই মতৌদা খিল্লি।

দানুজমাধাপ দশর্থদেব কৌবা (নিংথৌগী শাগৈগী ঈ নত্তবা, শেবোৎ মরিগুম্বা, মতমদুগী লল্লোনবা) লন-থুম য়াম্না পায়বা নুপা অমনা মহাক্কী মরল-মথুম ময়ামদু খুঙ্গংদুদা থাদদুনা (লল্লোনফম ওইনবা) শেমগৎ শাগৎপদগী লমদমদুগী মীয়াম্না পেন্নরদুনা মহাকপু 'সোনার্গাওন' গী হিন্দু নিংথৌনি হায়না হায়নরকপদগী মমাঙঙৈ ১৩শুবা সেঞ্চুরিগী ময়ায় চল্লকপদা কোনুং ওইরম্বা (বিক্রমপুর) দগী অনৌবা কোনুং ওইনা (সোনার্গাও) গী (লোকল হিন্দু নিংথৌনি) হায়না খঙনরকখিবনি। লমদমদুগী মীওইশিংগী শান্নফম, ফম্ফম পার্ক, লম্পাক মচাশিং, অচৌবা শিড়ী চনবা পুখ্রিশিংসু লৈ। শারল্লিবা য়ূমশিংদু য়াম্না খূৎ চংবসু য়াওরি। অয়াম্বা য়ূমশিংদু শীজিন্নবা য়াদনা নোংখাং চাইরবসু য়াওরি। য়ূম খরদি রিপ্যারিং তৌশিল্লগা রেষ্টুরেন্ট ওইনা শীজিন্নবা উরকই।

নুংথিল পুং ৪ তাগদৌরে, পানাম নগর/পানাম সিটিদগী ওটোরিক্সাদা টাকা ৩০ পীরগা অমুক সোনার্গাওন ম্যুজিয়ম য়েংনবা লাক্লে। য়েংবা চঙনবগী ফীনা বাংলাদেশকী মীয়াম্না য়েংনবগী টাকা ৫০, ফোরেন্নরগীনা ১০০, মহৈরোয়শিংগীনা টাকা ৩০নি। মনুংদা বোট তোংবা, খোই চোপ্পা, মেজিক শোনচিংবা অতৈ অতৈগীদি অমুক মফম মফমদুগী ওইনা টিকেট কক্তদৌরিবনি। লমকোয়বশিংনা য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা, মেজিক শো উৎপনচিংবা মতম মতমগী হরাও কুম্মৈ কয়া পাঙথোকফম ওইরিবনি। মফমসিগী অয়াম্বা শরুক পূম্নমক য়েংবা লোইরে, কোরৌঙানবগী মঙালসু তপ্না তপ্না লৈথরক্লে। লিরি হুম্বা মালংবনা ঈংনা তপ্না য়ৈরকপদা হকচাংদগী হুমাং পূম্নমক মাঙখ্রগা তপ্না তপ্না ঈংথরক্লে। অরাম খৌরাংবা ফাওরক্লে, ম্যুজিয়ম অসিদা লৈরিবা রেষ্টুরেন্ট অমদা চঙদুনা করি করিনো খরা চাশিল্লগা ঐখোয়গী লৈফম ধাকাগী হোটেলদা লাক্লে। সোনার্গাওনগী মিনি টাজমহল, পানাম নগর, ম্যুজিয়মনচিংবা য়েংলুবদা বাংলাদেশকী সোনার্গাও লমদম্বু কাউঙমদনা মথং মথং অসুম নীংশিংলকই। তশেংনমক বাংলাদেশকী সোনার্গাওদি অরিবা মরক্তা অনৌবা কয়া শাগৎতুনা 'অনৌবা অমসুং অরিবা পুৱারীগী চাংয়েংনফমনি' হায়বমক য়ারবা লমদম অমনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২

১) **''লৈবাক নীংবগী ঈশৈ অমসুং শৈরেং''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবা অমসুং শেম শাদুনা পুথোরকপনো?

২) **''পাউখুম''** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **''ইমানা ঙায়রি থোঙ্গালদা লেপ্তুনা/লাকপরা য়েংলি মীৎয়েংগী পোইরৈদা / নোংমগী চরা লাঙলিবা খূদিং/নীংশিংলি নঙবু শিন্থরি পীরাং।''** ঈশৈ ময়েক অসি শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **''ঐগী পুন্সি অমসুং মণিপুর (লন্নাইগী ৱারী অমা)''** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) **''সাহেবকী থৌজাল''** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।